# লমলাংতোং (লম্মাংদোং) দগী বিষ্ণুপুর থোনখিবদা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েং

খুন্দোংবম কুমার

**ৱাহৌদোক**- লমলাংতোংদগী বিষ্ণুপুর থোনখিবসি খরনা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী হাক্তক্তগীনি হায়, খরনা মৈদিংঙু খাগেম্বদগীনি হায়, খরনা গরিবনিৱাজ/নিংথেমময়াম্বা/পামহৈবদগীনি হায়, খরনা মৈদিংঙু চীংথংখোম্ব (রজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র) দগীনি হায় অসিনচিংবা অসিনি। অদুগা কনাগুম্বা লাইনীং অমদা হকচিনবা খরনদি - বিষ্ণু গোষামী কৌবা ময়াং বামোন অমগী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি হায়বা ওন্ন-তৈনবা পুৱারী অমা পুথোক্লবা হোৎনরকপা অসিনি।

**মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মতমদা -**

মৈদিংঙু ক্যাম্বা (কুমজা ১৪৬৭-১৫০৮) গী মতমদা কংলৈ মৈত্রবাক্তা তখেল (ত্রিপুরা) দগী, নেপালদগী, তেখাও (অসাম) দগী, কানপুরদগী, নদিয়া (নোংচুপ বঙ্গ) দগী, গুজরাত্তগী, সিলেৎ (বংলাদেশ) তগী চাউরাক্লা ব্রাহ্মন ১৯ মুক লাকখি (বামোন খুন্থোকলোন)। মণিপুরদা ইহান হান্না বামোন লাকখিবসি মৈদিংঙু ক্যাম্বগী সনা হাক্তক্তগীনি। মতৌ অসুম্না চঙলকখিবা ব্রাহ্মনশিংসি মখোয় মখোয়গী নাৎ অমসুং লাইনীং লাইশোনগা লোয়নননা লাকখিবনি হায়বসিমা থমজগে। ব্রাহ্মন (বামোন) শিংগী খ্বাইদগী নক্লনা শাগোন্নদুনা লোইনজরিবা লাই (দেবতা) দি শ্রীবিষ্ণুনি। মৈতিশিংনা মপাল্লমদা খুন্দা য়ুমদাদুনা লৈখিবদা লায়িংথৌ সনামহীগী খুভম থম্বগুম্বনি। মতমদুদা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা বিষ্ণু লাইনীংদা লাইমীং লৌখিদ্রবসু মৈদিংঙুসিগী হাক্তক্তা - বিষ্ণু লাৎপা হৌখিবা অসুম্না হিন্দু লাইনীংগী মমি তাখি হায়জবনি। মতমদুদা মৈত্রবাক মণিপুরগী নোংপোক লমদা খূৎকন পাঙ্গন্না পানখিবা পোং লৈবাক্কী নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগা মৈদিংঙু ক্যাম্বগা মরুপ শান্নরম্মী। চহীদি মৈদিংঙু ক্যাম্বনা ২৭নি। অদুগা পোং নিংথৌনা ৪৭নি। অসুম্না চহী থিনরকপদা মৈদিংঙু ক্যাম্বদা পোং নিংথৌনা ইশু অদুগা ক্যাম্বগা ইপূ হায়না মিঙ্গৌনখি। নিংথৌ অনীসি লিফক অমত্তদা ফম্মিন্নৈ, লৈবাক্লা শাবা পাত্র অমত্তদা ঈশিং থকমিন্নৈ অমসুং পুখম অমত্তদা পূন্না চাক চামিন্নৈ। কবো ক্যাং খম্পাক্তা পূন্না লান্দামিন্নৈ। চাব-থকপা লোইরবা মতুংদা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা পোং নিংথৌদা ইপূ ঐখোয়দি চাক চাবা লোইরবা মতুংদা অসি চায় হায়দুনা ঙাপ্রুম অরৌবা থুপলেং অমা পীশিল্লি, অদুদগী পোং নিংথৌনসু ইশু ঐখোয়দি অসি চায় হায়দুনা সনা মোহর মরিফুনা শাবা তখেল খুনু শাবা ক্কাগোক মনুংদগী ক্কা লৌথোক্লগা মৈদিংঙুদা পীশিল্লি। মতমদুদগী মৈদিংঙু ক্যাম্বনা ক্কা চাবা হৈখিবদগী মৈতৈশিংনা ক্কা চাবা হৌখিবনি হায়। পোং নিংথৌ খেকখোম্বনা ক্কাগোক মনুংদগী ক্কা লৌথোকপদা লাই অসিমসু য়াওরল্লে হায়দুনা ক্যাম্বদা বিষ্ণুগী সাল চক্রদু সনাগী ক্কাগোকতু য়াওনা খুদোল ওইনা পীরকখি। শ্রীবিষ্ণুগী সাল চক্রবু লাৎনবগীদমক্তা লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগীনি হায় নৎত্রগা খুমন লম্পাক্কী মমাঙ থংবদা লৈবা খোংনুং অমদা ইরুজদুনা লৈরম্বনি হায়বা বামোন (অনীনি হায়) ফারক্তুনা লাৎহনখি হায়। বামোনশিং অদুনা শ্রীবিষ্ণুদা কৎনবা শঙ্গোম ক্ষির হৌনবগী লাংবদা কংলা মনুংগী নুংজেং পুখ্রি মপান্দা হৌরম্বা তুলসিগী মনা হেক্লগা শীজিন্নখি (বিষ্ণু ফংবগী পুরান)। মৈদিংঙুনা সাল চক্রসি শ্রীবিষ্ণুনি হায়না লৌখিবগী মতাং অমসুং পোং লৈবাক্তা কমদৌনা বিষ্ণু সাল চক্র ফংখি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াদি অখণ্ড অহৈশিংদা লান্থোকচরে। অসুম্না মতমদুগী হৌনা শ্রীবিষ্ণু সাল চক্র অসি নিংথৌগী লাই ওইনা নিংথৌনা খোঙলেঙবা খুদিংদা লোয়নননা চৎপা লাইনি। অদুবু মৈদিংঙু ক্যাম্বনা লমলাংতোংদা হোংথদুনা কোনুং ওইদুনা পাল্লমখি হায়বদি থেংনদে। অদুনা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা লমলাংতোংদা বিষ্ণু লাৎনবা ফুরাসু শারমলোই অদুগা বিষ্ণুসু লেঙথরল্লোই হায়না খল্লি। মরমদি মতমদুদা 'চেক' হায়বা পোৎশকসি লৈত্রি অদুগা চেক হায়বসি চাইনাগী লোননি হায়বা অখণ্ড অহৈশিংনা তাকপী। চেক শাবা হৌখিবদি মৈদিংঙু মুংয়াম্বা (কুমজা ১৫৬২-১৫৯৭) গী হাক্তক্তা চাইনিজ লাক্তুনা তম্বীখিবনি। মতাংসিমসু হুন্দোকচরে। মৈদিংঙু মুংয়াম্বগী মতম চহী ১০০মুক্কী মমাঙদা মৈত্রবাক মণিপুরদা চেক শাবা হৈত্রিঙৈদা লম্মাংদোংদা বিষ্ণু ফুরা চেক্লা শারম্মী হায়বা ৱাফমসি চান্নদে খল্লি।

**মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম (কুমজা ১৫৯৭-১৬৫২) :**

পোং নিংথৌনা পীরম্বা শ্রীবিষ্ণুগী মাল চক্র মুর্ত্তিদুগা মান্নবা বিষ্ণু মুর্ত্তি অমা শারগা লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা লাৎলম্মীসু হায়। হায়রিবা শ্রীবিষ্ণু মুর্ত্তিসি লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈবা 'নোংশামৈ' মিংথোন ফংখিবা ধনঞ্জয় (জিগৎসিং) কৌবা খাগেম্বগী মনাই অচানবা অমদা মৈদিংঙুনা মহাক্কী পুন্সি চেংজেন লোইরমদাইদা শিন্নরম্মী (সরাংথেম বরমনিগী মৈতৈ নিংথৌরোল) হায়। অতোপ্পা ৱাফম অমনা শানোংবগী হি কায়বগী ৱাহৌদা, মণিপুরদগী তান্থোকখ্রবা শানোংবনা লুচিংদুনা লান্থেংনবা লাকখিবা ময়াং অমসুং মুসমান লান্মীশিংগা ময়াম্বুং মৈদিংঙু খাগেম্বগী লান্মীশিংগা লমলাংতোংগী খুরোই লমদা লান শোক্লখি। মফমদুদা মনাও শানোংবা শিখিবগী নুংঙাইতদুনা মনাওগী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক্তা থা অহুমলোম লৈরিঙৈদা বিষ্ণু ফুরা শারম্বনি হায়বসু থেংনৈ (বিজয় পঞ্চত্তালি-মুতুম ঝুলোন) ৱাফমসি চৈথারোল কুম্বাবগা ওন্ন-তৈনৈ হায়বসু য়াওই। ৱাফমসিসু কুম্বাবদা বিষ্ণুপুর হায়বসি পনবা থেংনদে।

**মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী হাক্তক্তা (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮):-**

মৈদিংঙুসি লমলাংতোং (লম্মাংদোং) দা বিষ্ণু ফুরা শাদুনা বিষ্ণু লাৎলম্মী হায়বগী খুদম চাংদম অমা ফাওবা লৈতে। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা কুমজা ১৭৪৩গী থৱানগী ১৬নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থাঙ্গদা লৈমা শীজশিংগা লোয়নননা কুমদুনা ক্কা থাই অদুগা হল্লকপদা মোইরাংদা অহিং য়ারেকই হায়বদি চৈথারোল কুম্বাবদা থেংনৈ অদুগা লমলাংতোংদা অহিংকা লেক-খোক্তুনা লৈখি হায়বদি থেংনদে।

**মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী হাক্তক্তা :**

লমলাংতোংদা হৌজিক হৌজিক বিষ্ণুগী ফুরানি হায়না উরিবসি চেক অমসুং মোর্টরনা শাবনি। ফুরাসি শাবদা শীজিন্নরিবা চেক্কী মশক মওং, পাক চাউবা অমসুং পাবা থাবা য়েংলুরবদি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা শারম্বা ওইরমগনি হায়না মণিপুরগী খণ্ড হৈরবা আর্কিওলোজিগী মীওইশিং কয়ানা মত পীনবা লৈ। ৱাফম অসি 'নিংথৌরেল' কৌবা অরিবা লাইরিক্তা ইরম্বগী মতুং ইন্না - মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা তেখাও লৈবাক্তগী মণিপুরদা লাক্লগা লম্মাংদোংদা মতম খরা কোনুং ওইরম্বা মফমসি থোংজাউরোক্তনি হায়না ইরি। মফমসি থোংজাওরোক তুরেলগী খা থংবা শরুক্তা চাউরাকপা লৌ পরি তরুক লোমনি হায়, খুদমসু লৈ। হায়রিবা ফুরাসি থোংজাওরোক তুরেলগী খা থংবা অদুগা কোনুং ওইরম্বা মফমদগী অৱাং থংবদনি হায়বসি 'নিংথৌরোল' কৌবা লাইরিক্তা পীবগা য়াম্না নকশিন্নৈ। হেন্না নকশিন্নবা ৱাফম অমনা - মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা লমলাংতোংদা মতম খরা কোনুং ওইরিঙৈদুদা শ্রীগোবিন্দগী মুর্ত্তিসু নিরুপন তৌখি। লোয়নননা শ্রীবিষ্ণুগা ফম্বাক অমত্তদা ফমদেংমিন্নহল্লগা শ্রীগোবিন্দ জীবন্যাস তৌখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা লম্লাংদোংবু বিষ্ণুপুর থোনখি হায়বা ভাগ্যচন্দ্র শামু ফাবা কৌবা অরিবা লাইরিক্তা ইরম্বা থেংনৈ। মতাং অসিদি থমজদ্রে। অদুগীসু মথক্তা কুমজা ১৭৭৯গী কালেনগী ৩নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নিংথৌনচিংবা পূন্নমক বিষ্ণুপুরগী কাঞ্চিপুরদা কোনুং হোংগৎলি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবা (পণ্ডিট খেলচন্দ্র) দা ফজনা ইরি। অদুনা 'বিষ্ণুপুর' হায়বা ৱাহৈসিসু হৌখিবা নিংথৌরোলশিং কুম্বাবগী লমাইশিংদা থেংনদে।

মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী চৈথারোল কুম্বাবগী লমাই চেজন্দা চল্লিবা 'বিষ্ণুপুর' হায়বসিনা অহানবা থেংনবদি/মতমদুদা লমলাংতোংদা শ্রীগোবিন্দগা ফমদেংমিন্নরিবা শ্রীবিষ্ণুদু মমাঙঙৈদা পোং নিংথৌনা পীখিবা বিষ্ণু সাল চক্র ওইগনি খল্লি, মরমদি নিংথৌগী লাই ওইনা নিংথৌনা খোঙলেংবা খুদিংমক্তা থাদোক্লদে, মথক্তা পঞ্জখ্রে।

**লমলাংতোংবু বিষ্ণু গোষামীগী মমিং লৌদুনা থোনখি হায়জিনবা :-**

(১) A short history of Kangleipak (Manipur) - Part-III, By Wangkhemcha Chingtamlen, M.A. LLB, Sagolband Thangjam Leirak, Imphal (২) পুয়া মৈথাবা - কিরনকুমার ময়াংলম্বম ইরোইশেম্বা ময়ায় লৈকায়। (৩) পুয়া মৈথাবা - ডা. এ কে ধিরেন মৈতৈ (৪) শেম্বী মুকাকলৈ (৫) মিতম্বাল অমসুং (৬) ফীজং মরুমদা অসিনচিংবা লাইরিশিং অয়াম্বনা 'অঙোম গোপী' কৌবা মতমদুগী শক্লাইরবা পণ্ডিট (মাইচৌ) অমগী মমিং শীজিন্নদুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবা) অমদি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (ভাগ্যচন্দ্র) নচিংবা ইনিংথৌশিংসি চাকনি-ফিনিবা লাকপা ময়াং বামোনশিংগী মচা মশুশিংনি হায়জিন্দুনা মীংচৎ থিহন্নবা অনৌবা পুৱারী অমা শেমগৎনবা হোৎনরকপা লৈবাক্কী ওইনা খুদোংথিনিংঙাইনি। মথক্তা পঞ্জখিবা লাইরিকশিংসিগী মরক্তগী অমখক্তং হান্না লৌখৎচগে:- অহানবগী "A short history of Kangleipak (Manipur)" কী পেজ নম্বর ৫৩গী পরেং ১১দগী ১৫ ফাওবদা য়াওরিবসি - "Once the father of Pamheiba, Bishnu Goswami stayed at Lamlangtong, when Pamheiba became the king of Kangleipak, the Bishnu fura (Temple) was constructed during the rule of king Pamheiba for immortalize his father's name Bishnu Goswami and Bishnu Goswami also worshiped a small idol of Bishnu" অসিনি। হায়রিবশিংসি য়ূম্ফম শুকয়াও য়াওদবা ঙাক্তনি হায়বসি ইজরিবা ঐহাক্লা অশেংবা পুৱারীগী লীখুন্দগী শক্তোকচরগা খুদম অমখক্তং থমজগে - মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা মৈত্রবাক মণিপুরদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বসি কুমজা ১৬৯৭কী লমদাগী ১০নি পানবদগী কুমজা ১৭০৯গী ইঙেনগী ৫নি পানবা ফাওবনি, ফম্বাল চহী ১৩ খক্তনি। খূৎ থেল্লগা চৈ থার থারগা পাবীয়ু (চৈথারোল কুম্বাবগী পেজ নম্বর ৭২গী অরোইবা পরেংদা য়েংবীয়ু - খেলচন্দ্র)। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা ফম্বাল কাখিবনা কুমজা ১৭০৯গী থৱানগী ২৩নি পানবা নুমিৎ মশাগী চহী ২০ শুবদনি হায়বসিসু অয়াম্বনা খঙনরবনি লোয়নননা মখোয় মখোয়না ইজরিবশিংদুদসু য়াওবা থেংনৈ। মথক্কী নম্বর (১) অমসুং (২) গী (অতৈদি হায়জররোই) লাইরিকশিংদুনা হায়রিবদি - মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইরবা মতুংদা 'চোথে' হাওখুন্দা লোইপোৎ থৌবা চৎলুবদগী নুংথিল চাইবী পুরকপনি অসিনি। মতমদুনা বিষ্ণুগোষামী কৌবা ময়াং বামোন অমা লৈম নিংথৌকোন্দা চঙলক্তুনা চাইবীগী শঙলেন্দা য়ারেকখি অদুদগী নুংথিল চাইবীগা ফমদিন্নদুনা মরূ হুনখি অসিনি অদুদগী কুমশিং থাশিং শুরক্তুনা গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) পোকখি (তেনশিঞ্জবনি)। মথক্তসু পঞ্জখ্রে- চরাইরোংবগী ফম্বালগী চহীদি ১৩ খক্তনি। অদু ওইরবদি চরাইরোংবগী ফম্বালগী চহী ১৩দুগী মনুংদা নুংথিল চাইবীদা মরূ হুনখিদুনা পোক্লকখিবা অমসুং চাউরকখিবা গরিবনিৱাজগী চহী কয়া শুগদগে পাবীয়ু অমসুং নৈনবীয়ু। য়াল্লবদা গরিবনিৱাজগী চহীসি ১২ (তরানিথোই) দগী হেনফম থোক্তে, অদুগা পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) না ফম্বাল কাখিবনা মপাইবুংঙো চরাইরোংবনা লৈখিদবা থা অমমুক্কী মতুংদা মশাগী চহী ২০ শুরকপনি (হান্নসু কয়ারক পঞ্জখ্রে।)

অদু ওইরবদি ৱাৎহৌরিবা চহী ৮ দুদি চোথেদগী নৎত্রগা থাঙ্গালদগী ৱাইরুগদৌরিবরা হায়বসি ৱাহং ওইনা থমজগে। অসিগুম্বা চহী পাবগী থবকসিদি কৈথেল ফম্বী মনা মশিং য়োঞ্জবী ইমা ইবেলশিংনা ফাওবা লাইনা খঙগনি খল্লি। কুমজা ১৬৯৬কী ইঙাগী ২৭নি পানবা নুমিত্তা লৈখিদ্রবী নুংথিল চাইবীদু কুমজা ১৬৯৭কী মতুং (চাউরাক্লা চহী ১ থা ৮ মুক) দা অশি লৈবাক্তগী লৌরুদুনা চোথেদা অমুক লৈহল্লম্বা অদুদগী অমুক থাঙ্গালদা অমুক লৈহল্লম্বা অসিগুম্বা শেমজিন শাজিনবশিংসি পুৱারীদা লংজবনি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী অহানবা মিংলেনদি 'নিংথেম ময়াম্বা' কৌই। শান্তিদাস গোসাইগা লাক্ত্রিঙৈদগীনি। নোংপোক ৱাইরং পামহাইবা নৎত্রগা পামহৈবা হায়সিনা মহাক্কী ফম্বালগী মিংলেননি। মমৈথংদা পামহৈবা হায়না কৌনদুনা চৎনখিবনি হায়বসিমা থমজগে। চীংদা পামদা হৈনৈ হায়না পামহৈবা থোনখিবা নত্তে হায়সিমগা থমজরমগে। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ পোকপদগী শিবা ফাওবগী শল্লপ্পা ৱারী লীখুন কয়া চেফোংসিমক্তদা অমুক অনীরক হাপচখ্রবনি। মখা তাজররোই। মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজবু বিষ্ণু গোষামীগী মচানি হায়না থৌনা লৈনা লাইরিক ওইনা ফোংলক্লিবশিংনা হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা নিংথেম মচাশিং, কার্ত্তা কাঙলুপ্পু ওইরো, নরসিং কাঙলূপ্পু ওইরো, শগোলবন্দগী মক্রিময়ূম কাঙলূপ্পু ওইরো, নিংথেমচা লৈম শীজ খুদিংমক্তা মিংচৎ থিহন্দুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরিবশিংদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। মতমদুগী কংলৈ মৈত্রবাক্কী লৈমা নিংথৌকোন্দা চেকশিন্না ঙাকশেন্দুনা লৈজরিবী চনুরাশিং অমদি লৈমবরেম্বী অমবু হেক্তা মপান্দগী লাকপা চাকনি ফিনিবা ময়াং বামোন অমনা চঙলক্তুনা য়ারেকপা অমসুং ফমদিন্নবা ইয়া য়াবদৌনা উহল্লিবা অসিগুম্বা খুদম চাংদমসু য়াওদবা লাইরিকশিং অসি থুপচিনখিবনা খ্বাইদগী হেন্না অফবা ওইগনি হায়বসি থমজগে। অদুগীসু মথক্তা মতমদুগী ইনিংথৌশিংদু ইপং পংবা ইশোন শোনবা মীগুম্না লৌবীবা পুৱারীদা লংজবা থোক্কনি। ঙসি ঐখোয়না লেপ্লিবা কংলৈ মৈত্রবাক মণিপুরসি 'নোংদা লাইরেন পাখংব'গী চাদা নাউদা ওইবনা কনাগীসু মখা পোলহন্দনা ঙাকশেন্দুনা থম্বীরম্বনি হায়বসি কাউফম থোক্তে। লোয়নননা মতমদুদগী হৌনা হৌজিক ফাওবসি লমদম অসিগী সলাই খুদিংমক্কী চনুরাশিংনা নাৎ-কলচর কনবতা নত্তনা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মাঙজিল থাদুনা লাকখিবনি হায়বসিসু কাউফম থোক্তে। অসিগুম্বা মতমদুগী চনুরাশিংদুবু লাইনীং লম্বীরোমদা পুশিল্লক্তুনা ওক্তবীগুম উহনবা লৈবাক্কী ওইনা ইকায়খুম্নবা মাঙবনি। লাইরিকশিংদুদা য়াওরিবা নাতৈ চাদবশিংদুদি মখা তাবা ঙমজদে।

ৱারোই :- লমলাংতোংবু বিষ্ণুপুর থোনখিবা অদুগা লমলাংতোংদা বিষ্ণু লাৎনবা বিষ্ণু ফুরা শাখিবসু মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যাচন্দ্রননি হায়বসিনা মরম চাবা লিখুনশিংনি হায়না লৌবা য়ারে খল্লি।

ইজরিবা অইবা ঐহাক্তি অচুম্বা পুৱারী থিজবনি কনাদসু শিংনবা ঙমজদে। খুদিংমক পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইজবনি। অদুবু মীওইপোকনি।

নৈনজখিবা লাইরিকশিং :- ১) লৈখিদ্রবা পণ্ডিট খেলচন্দ্রগী - চৈথারোল কুম্বাবা।

২) লৈখিদ্রবা বি কুল্লচন্দ্র শৰ্ম্মগী - পৱারী পুরারীগী মৈতৈ চনু লাইরিকশিং।

৩) নারোইবম ইন্দ্রমনিগী আর্টিকল অমদগী শক্তোকচবা খরা।

৪) সরাংথেম বরমনিগী মৈতৈ নিংথৌকোল।

৫) কারতিক মাইবগী - মৈতৈ নিংথৌরোল।

# মৈত্রবাক্কী শরোই খাংবা

লৌরেম্বম অজিৎ মীতৈ

**তেংপানবা মপূ** মহাক্লা তাইবঙপানবা অসিবু শেল্লকপা মতমদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংগা লোয়নননা শরোই ঙারোই ময়াম অমসু পুথোকপীরমই। লাইয়ামশিংগা লোয়নননা শরোই ঙারোই পূন্নমকসু কৌব্রু চীংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরমই। মতম অদুদা শরোই-ঙারোইশিং অদুনা তাইবঙ মপূ মহাক্কী মফমদা মখোয়গী লৈফম, শিন্থা অমদি চান্নবা মচিঞ্জাক পীবিনবা হনগৎচখি। শেম্বীবা মপূ মহাক্লা শরোই নখোয়দি তাইবঙ মপূ ঐগী ইশাদগী থোকপা হুমাং মরিক মরিক্লা শেল্লকখিবা, ওইরকখিবনি অদুনা নখোয়গী নমিংদি ইশাগা লোইনরকই হায়বগী শারোই হায়না খঙনগনি। নখোয়দি লাইয়ামশিংগা লোয়নননা অৱাং কৌব্রু চীংদা লৈমিন্নগদবনি। নখোয়গী চিঞ্জাক্তি হয়েং নমু তাইবঙমীশিংনা খুন্দা লৈতাদুনা পাল্লক্লবা মতম অদুদা লমতাগী থাংজ অহৌবা অমদি লমতাগী থাংজ অরোইবা, শজিবু চৈরাওবনচিংবা থৌরমশিংনা লাইয়াম্না খাইদোকপ হায়দনা নখোয়গী চাকথারোল শরোই চাকখাংবা হায়দনা চাকথা পীরক্কনি। মদুনা নখোয়গী নচিঞ্জাক ওইনরো অদুগা খুঙ্গং অদুবু নুংঙাইবা য়াইফবা, খুঞ্জাউ লৈচাওবা, লৈবাক নিংথৌ পুন্সিবা নুংশাংবা, চাহোং ঙাহোংবা পীনরল্লগা নখোয়গী লৈফমদা অমুক হনজিন্দুনা লৈগদবনি, নখোয়গী চাকথা পীরবা অদু ফাওবা পেন্দদুনা তাইবঙ মীওইবশিংবু তাথি তাওইননা তৌরবদি মপূ ঐগী চৈবী চৈথেং ফংগনিকো। হয়েং



তাইবঙ মীওইবনা খুন্দা লৈতাদুনা মপূং ফারল্লবা মতমদা উমংলাই খুন্দাবা হায়দনা উমংলাই হরাউবা মতমদসু হরাউবা হৌরকপা অমদি লোইশিল্লকপা মতমদা নখোয়গী চাকথা পীরক্কনি। মতম অদুদসু লাই অদুনা কোল্লিবা খুনশিং অদুদা খুঞ্জাউ লৈচাউবা, নাদ য়েক্তবা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবিরমগদবনি। অদুগা হয়েং মায়কৈ ঙাকপা লাই মরি থোরল্লবা মতমদা মাগী মাগী লাইফমদুগী শরোই ৩৬১ মক শুনা লৈগদবনি। অদুগা মার্জিংগী শরোইনা মার্জিংদা হনগদবনি, থাংজীংগী শরোইনা থাংজীংদা, ৱাবুরেলগী শরোইনা ৱাবুরেলগীদা অদুগা কৌব্রুগী শরোইনা কৌব্রুদা হনগদবনি। অসুম্না নখোয়গী চাকথা লৌরবা মতুংদা তাইবঙ মীশিংবু নুংঙাই য়াইফবা পীরম্বা হায়বসিনা নখোয়গী শিন্থা ওইগদবনি।

মতাং অমদা কৌব্রুগী শরোইনা কৌব্রুদা লৈরবা মতমদা লাইয়ামশিংনা নখোয় কনা কনানো, করম তৌনা লাইয়াম ঐখোয়গী ইরক্তা লাকপনো হায়না হংলবা মতমদা তাইবঙ মপূগী ময়াথংবু তমজরবদা লাইয়ামশিংনা মখোয় অসি মবুক কমজাউ হুনবা মওং অসি উবদা শরোই নখোয়গা লাইয়ামশিংগা লৈমিন্নবা য়ারোই অদুনা শরোই নখোয় চীং অসিগী খা মৈরম পাংবদা লৈরিবা শরোই খুন্দা হায়বা মফম অদুদা লৈয়ু হায়না মফম অদুদা কৌব্রুগী শরোইশিং লৈহনখি।

তাইবঙ মপূগী পাউতাক অসি নৈনরুরগা ঐখোয়না শরোই খাংবা হায়বসি শরোইশিংগী চাকথাক পীরগা অফ-নুংঙাই, খুঞ্জাউ লৈচাউবা, নিজহৌবা হায়বসিনা মরু ওইবা থৌরমনি। ঐখোয়না শরোই খাংবা মতমদা তেম অমদি খূৎশু খূৎলায় পুদুনা চৎলিবসি তেম হায়বসি ইমা লৈমরেল শিদবী মহাক্কী খূৎশুনি, খূৎশু অসিনা ইমা লোইনরকই হায়বা তাকই। শরোইশিং লমকেৎ তুহেনবদগী ঙাকথোকই, য়োৎ থাংনা মফম অদুগী শেংদোক খোৎতোকপদা শীজিন্নৈ। মরম অসিনা শরোই খাংবা মতমদা শেৎনা ইন্না ফীনা কনশিনবা, অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবা, হক্কী ঈশিং চাইশিনবনচিংবা তৌবীরোইদবনি। শরোইশিংগী চাকথা পীরগা ঐখোয়না নুংঙাই য়াইফবা, খুঞ্জাউ লৈচাও নীজহৌগদবনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শগোল কাংজৈ (মণিপুর ষ্টেট গেম)

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইরমদম** কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা লাই হাক্তক্তগী লাইনা শান্নরকপা শগোল কাংজৈ, ঙসিগী মীরোল অসিফাওবা মালেমগী মীওই কয়ানা লাইগী ঙমথং ওইনা শান্নরিবা মশান্না অসিবু ইরমদম কংলৈপাক মণিপুর অসিগীনি হায়বা য়ানদুনা মালেমগী লৈপাক কয়াদা পীরিবা খুদোল ঐখোয়গী কয়াদা লাইবক ফখ্রবা, মসিগীদমক হোৎনবিরম্বা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং অদুবু মচা মশু ওইবা ঐখোয়না অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়নননা থাগৎফম থোকই অমসুং শগোল কাংজৈবু গীনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দতা চনখিবা নুমিৎপু 'শগোল কাংজৈগী নুমিৎ' মিংথোন্দুনা লৈঙাক্কী থৌরম অচৌবা অমা ওইনা পাঙথোকপা মতমদা লাইওইখ্রবা অহল লমনশিং অদুদা পীবা অচৌবা খুদোল অমনি হায়না মীয়াম্না শোন্নগনি। ... in the genious book of world records (1991) as "Polo can be traced to originate in Manipur state, India, C, 3100 B.C. when it was played a 'Sagol Kangjei'. Sagol means horse and Kangjei, a long handle stick for striking a ball. The game was introduced to British officers in Cachar by the Maharaja of Manipur, Sir Chandrakirti Singh (1850-1886). অসুম্না ইবা থেংনজবনা মালেমগী মফম অমদা হেক্তা ওইরবসু, শগোল কাংজৈগী মশান্না অসি শিনবদা নৎত্রগা শগোল কাংজৈগী মরমদা থৌরম পাঙথোকপদা ইংলিস নৎত্রগা হিন্দিদা নৎত্রগা মালেমগী লোন অমদা ইরবসু 'শগোল কাংজৈ' অসুম্না ইহনসি- পোলো হায়বসি ইদবা য়াদবা ইন্টরনেসনল নোর্মেলক্লেচর ওইনা খঙনখিবা ওইরগনা খুদম ওইনা ইন্টরনেসনল শগোল কাংজৈ (পোলো) টুর্নামেন্ট অসুম্না ব্রেকেট কোৎলগা মনুংদা ইহনসি। মালেম্না পোলো ফ্রেম পোনি হায়না শক খঙবীখ্রবসু তুংদা হৌরল্লিবা নহা কয়াদদি 'শগোল কাংজৈ (পোলো)' অসুম্না খঙহনসি। মথংগী সঙাই ফেষ্টিবেলদদি ময়েক শেংনা ইন্টরনেসনল শগোল কাংজৈ (পোলো) টুর্নামেন্ট ইম্ফাল, মণিপুর ইবিদুনা মালেমগী মীয়াম খঙনবা হৌদোকপীরো। তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈপাক কয়াগী পোলো ক্লব/এসোসিএসন খুদিংমক 'শগোল কাংজৈ (পোলো) ক্লব/এসোসিএসন হায়না থোনবীনবা অমসুং শগোল কাংজৈ হাপ্পীনবা মপান লমগী কাংজৈরোয়শিং অমসুং লেঙবীরল্লিবা খুদিংদা অনৌবা লৈঙাক্কী মীফম্না ৱারেপ তবীদুনা, অইবা ওইনা য়েন্থোকপীরো অমসুং লাউথোকপীরো। হৌরকফম্না ঐখোয়দগী মমিংনা মীনা থোনবীবা অসি তুংদা চমন্নদনবা হোৎনরল্লসি হায়জরি।

ৱাফম অমনা, কাংজৈবুং হায়গদবদা পোলোগ্রাউন্দ হায়দুনা চৎনবী ওইনা মহুৎ শিল্লিবগী লৈঙাক্লা ককথৎত্রবদি লান্না অসুম চৎখ্রনি 'শগোল কাংজৈ অমসুং কাংজৈবুং' গী মরী অদুগা মরী লৈননা লম্মীৎলোন্দা য়ূম্ফম ওইবা পুৱারীগী মমিংদা ওন্থোকপীবদা ঐখোয়গী শক্তমগী মশেক মঙালসু হেন্না শাফোঙলক্কনি। অদুগা হায়জনীংবা অমনা, মণিপুরগী খুনফম খুদিংগী 'কাংজৈবুং' অমমম থম্বীবা, লৈরম্বা শেমগৎপীবা, লৈরমদবশিংনা লৈহনবীবা, শগোল কাংজৈগী হৌরকফমনি হায়বসিসু কাংজৈবুং ময়াম্নসু মালেমদা মশক তাকসি হায়জরি। মণিপুরগী খুনফম খুদিংদা শগোল কাংজৈ (পোলো) ক্লব হাংদোকপীরো। কুমসি চহী নংদ্রবসু মথংগী চহীদগী লৈবাক্কী থাক্তা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। মণিপুর ষ্টেট গেম ওইনা লৈঙাক্লসু লাউথোকপীখ্রে।

*অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর*
*কুম্বী*